

# সনালৈবাক স্পোর্টস



FRIDAY, DECEMBER 20, 2013, PAGES 7

*জমাইকাগী স্পিন্টর উসন বোল্টনা আমেরিকান প্রেসনা পীবা বেষ্ট এথলেটস ওফ দি ইয়ারগী মনা লৌখ্রে।*

*বার্সেলোনা টিমগী ডাক্টরনা টিম অসিগী ষ্টার প্লেয়র ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই লিয়োন মেসি মতম কুইনা পোখাবগী মতম নংত্রে হায়খি।*

## সাউথ আফ্রিকানা ৱিকেট অমা তুবদা রন ১১৮ লৌখ্রে হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়ানা রন ১৬২ মাঙজিল থারি

*জেনেসবক, দিসেম্বর ১৯ ঃ*

ইন্দিয়া অমদি সাউথ আফ্রিকা লৈবাক অনীগী ওইবা টেষ্ট ক্রিকেট মেটচকি অহানবা ইনিংসতা ইন্দিয়ানা রন ২৮০ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা সাউথ আফ্রিকানা ৱিকেট অমা তুবদা রন ১১৮ লৌবা ঙমখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়ানা রন ১৬২ মাঙজিল থারি।



অহানবা ইনিংস অসিদা ইন্দিয়ানা রন ২৮০ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা লৌখিবা রনশিং অদুদি মুরলি বিজয়না রন ৬, সিকার ধৱাননা রন ১৩, চিত্রেশ্বর পুজারনানা রন ২৫, ভিরন কোলহিনা রন ১১৯, রোহিট শর্ম্মনা রন ১৪, অজিনকয়া রহানেনা রন ৪৭, মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা রন ১৯, রবিচন্দ্রনা রন ১১ লৌবা ঙমখি। মখোয় নত্তনা ইন্দিয়াগী বেটিং ওর্দরদা অরোইবদা লৈবা বোল্লরশিং জহির খান, ইশান শর্ম্ম অমদি মহমদ সামি রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

ইনিংস অসিদা ইন্দিয়ানা এক্সট্রাদা বাই ৪, লেক বাই ৬, ৱাইট ১৪ অমদি নো বোল ২ য়াওনা পুন্না রন ২৬ ফংখি। অহানবা ইনিংস অসি ওভর ১০৩ খক শান্নখি। মসিদা ইন্দিয়াগী ৱিকেট তুখিবশিং অসি ইন্দিয়ানা রন ১৭ লৌবা মতমদা অহানবা ৱিকেট, রন ২৪ দা অনীশুবা ৱিকেট, রন ১১৩ দা অহুমশুবা ৱিকেট, রন ১৫১ দা ৪ শুবা ৱিকেট, রন ২১৯ দা ৫ শুবা ৱিকেট, ২৬৪ দা ৬ শুবা , ৭ শুবা অমদি ৮ শুবা ৱিকেট তুখি অদুগা রন ২৭৮ দা ৯ শুবা ৱিকেট তুরবা মতুংদা নৌনা চঙলকখিবা বেটসমেনশিংনা রন অমত্তা লৌদনা আউট ওইদুনা এক্সট্রাদা ফংলিবা রনশিং অদুগা পুন্না রন ২৮০ ফংবা ঙমখিবনি।

আউথ আফ্রিকাগী মায়কৈদা ৱিকেট লৌখিবা শান্নরোইশিং অদুদি ভের্নোলনা ওভর ২৭ তা মেদল ওভর ৬ য়াওরগা রন ৬১ পীখি অমদি ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি। মহাক্না টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্না ৱিকেট লৌবা বোল্লর ওইবা ঙমখি।

মোর্নে মোর্খেলনা ওভর ২৩ দা মেদল ওভর ১২ রন ৩৪ পীবগা লোয়ননা ৱিকেট অহুম লৌদুনা অনীশুবা ৱিকেট লৌবা শান্নরোই ওইখি। জেক কালিসনা ওভর ১৪ দা মেদল ওভর ৪ রন ৩৭ পীরগা ৱিকেট অমা লৌখি। মহাক্কী বোল্লিংদা ৱাইট অনী ইন্দিয়ানা এক্সট্রাদা লৌবা ঙমখি।

দালে ষ্টেনা ওভর ২৬ তা মেদল ওভর ৭ রন ৬১ পীদুনা ৱিকেট অমা লৌবা ঙমখি। মহাকসু ৱাইট অনী ইন্দিয়াগী মায়কৈদা পীখি। অতোপ্পা বোল্লর ইম্রান টাহিরনা ওভর ৮ দা রন ৪৭ পীখি অদুগা জে পি দুমিনিনা ওভর ৫ দা রন ৩০ পীবা ঙমখি। ইন্দিয়ানা অহানবা ইনিংস অসিদা রন ২৮০ লৌরবা মতুংদা ওল আউট ওইদুনা ইন্দিয়াগী ইনিংস লোইশিনখি।

আউথ আফ্রিকানা ইন্দিয়ানা অহানবা ইনিংসতা থম্লম্বা রন অদু লৌনবা শশন্নবা হৌরকখি। হৌজিক ফাওবদা সাউথ আফ্রিকানা রন ১১৮ লৌবা ফাওবদা শুপ্নগী ৱিকেট অমদগী হেন্না লৌবা ঙমদ্রি।

হৌজিক ফাওবদা আউথ আফ্রিকাগী স্মিটনা রন ৬২ অদুগা হেসিম অম্লানা রন ৩০ লৌদুনা ক্রিসদা লৈরি। মখোয় অনীগী পার্থনর অসিনা রন ৮১ লৌখি। স্মিটনা মহাক্কী টেষ্ট ৱিকেটকি কেরিয়রদা ৩৮ শুবা হাল্ফ সেঙ্কচুরি লৌবসু ঙমখি। করিগুম্বা জহিরখানগী বোলদা মহাক্না শুপ্নগী রন ১৯ খক্তা ভাইরিঙৈদা কেস তৌখিবা অদু দ্রোপ তৌরমদ্রবদি ঙন্না আউট ওইরমগনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদা ইসান শর্ম্মনা অলবিরো পিটিরসনবু এল বি দব্লিউদা মহাক্না রন ২১ লৌরবা মতুংদা আউথ আফ্রিকাগী অহানবা ৱিকেট তুহনখি।

## ফিফানা চহী অসিদা সোক্কর চাওখৎনবা দোল্লর মিলিয়ন ২০০ থাদখি

*মেদ্রিদ, দিসেম্বর ১৯ ঃ*

ফেদরেসন ইন্টর্নেসনেল দি ফুটবোল এসোসিয়েসন (ফিফা) না চৎলিবা চহী অসিদা সোক্কর চাওখৎনবগী থৌরাংদা ফেদরেসন অসিগা খূৎশম্নরিবা এসোসিয়েট মেম্বর ২০৯ গী মতেংগা লোয়ননা সোমালিয়া, অফঘানিষ্টান অমদি পেলেষ্টাইন য়াওনা লেগু মার্ক তৌবা মফমশিংদা দোল্লর মিলিয়ন ২০০ থাদদুনা সোক্কার চাওখৎনবা থবক পায়খৎলি।

ফিফানা চহী অসিদা খ্বাইদগী ইরোই লোয়না সোক্কর চাওখৎনবগী প্রোজেক্ট পায়খৎখিবা মফম অসি সাউথ সুদাননি। সাউথ সুদানগী মনুং চন্না লৈবা জুবাদা থা অনীগী মমাঙদগী রেফরিস অমদি কোর্চসশিংগী ওইবা কোচ অমা পাঙথোকখি। ফিফাগী দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা হন্দক্কী চহী অসিদা নৌবা গোল প্রোজেক্ট ৪৬ পায়খৎখি। অদুবু ফিফানা ১৯৮৮ দগী হৌরগা চহী অসি ফাওবদা পায়খৎলক্লিবা ফুটবোল চাওখৎনবগী থৌরাং অসি চাওরাক্না ৬৪০ নি হায়রি।

মখা তানা ফিফানা পায়খৎকদবা মসিগা পুন্না চৎমিন্নরিবা মেম্বর ২৮ দা পার্ফোমেন্সকি ওইবা সোক্কর মেনেজমেন্ট প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কদৌরি। মসি খনগৎলবা লৈবাক ১৫৫ দা পাঙথোক্কদবনি।

ফিফানা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া অসি হন্দক্কী চহী অসি ফাওবদা পাঙথোক্তুনা লাকপগী মথক্তা অনৌবা প্রোজেক্ট ২২ গী এপ্রুবেল অমসু থগ্লি। মসিগী মথক্তা অনৌবা ফিফাগী এসোসিয়েসন মেম্বর অনীদসু অসিগুম্বা থৌরাং অসি লৌখৎনবা পান্দম থগ্লি।

সোক্করগী ওইনা ইন্টর্নেসনেলগী ওইবা গভর্ণনিং বোদিং অসিনা তুংদা লাক্কদবশিংগী য়েংদুনা ফ্যুচর মাইলষ্টোন প্রোজেক্ট লাক্লিবা মার্চ থাদগী পায়খৎপা হৌগনি হায়না ফিফাগী দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামসকি এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা জেনরেল রিগুলেসন তৌরি, অদুগা উকলেগুদা সেপ্টেম্বর থাদগী থবক অসি পায়খৎপা হৌনবা পান্দমসু থগ্লি।

চৎলিবা চহী অসিদা ফিফানা মরু ওইবা থবক থৌরম কয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামসকি জেনরেল রিগুলেসনগী মতুং ইন্না পায়খৎখ্রে হায়না এসোসিয়েসন অসিগী ফিফা দাইরেক্টর ওফ মেম্বর এসোসিয়েসন এন্দ দিভলপমেন্টকি মীহুৎ ওইরিবা কেরি রেগিন্সনা ফোঙদোকখি।

ইং ১৯৮৬ তগী হৌনা সোমালিয়াদা চখরকখিবা অহানবা গ্রাষ্ট রুট সোক্কর দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদু চৎলিবা চহী অসিগী আগষ্ট থাদা মপুং ফানা লোইশিনখি। মসিগী মনুংদা সোমালিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ১৭৯ পাঙথোকখি। অমদি জুরিচতা বেজ তৌবা ওর্গনাইজেসন অমনা থা ১২ চঙনা ফিফাগী দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

মসিগী মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা অফঘানিষ্টাননা য়ুম্থু ওইদুনা কাবুলদা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা ফিফা গোল প্রোজেক্ট পায়খৎখি। লোয়ননা আর্টিফিসিএল ফিল্ড খরসু শেমগৎ শাগৎখি। মফম অসিদা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু অফঘানিষ্টানগী ওইনা চহী ১০ গী মতুংদা হেম মেটচ ওইনা শান্নখিবনি হায়নসু পনখি।

চহী অসিগী জুলাই থাদা গোল প্রোজেক্ট অসিগী শরুক অমা ওইনা পেলিষ্টাইনদা ফিফাগী প্রসিদেন্ট সিপ ব্লেদর মশামক চত্তুনা প্রোজেক্ট অদু হৌদোকখি। ক্যুবাগী কেপ ভেরদেদসু গোল প্রোজেক্ট হৌদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী টিম্না ফিফাগী অন্দর ২০ ৱার্ল্ড কপতা অহানবা ওইনা ক্বালিফাইদ ওইদুনা শরুক য়াবা ঙমখি হায়নসু ফিফাগী পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল রেঙ্ক ৮ দা হন্থখ্রে



*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ১৯ ঃ*

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী লেদিস সিঙ্কলসতা তোপ সিট ওইরিবী সাইনা নেহৱাল অসি বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন্না নৌনা লাউথোকখিবা রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা পোজিসন অদুদগী রেঙ্ক অনী হন্থবগা লোয়ননা নিপালশুবা রেঙ্কিংদা লৈখ্রে।

সাইনা নেহৱালনা চহী খরগী মমাঙদা ৱার্ল্ডগী নম্বর ৱান ফাওবা ওইরমখি। মহাক্না হন্দক্কী চহী অসিদা য়াম্না তপথখিবগা লোয়ননা রেঙ্কিং অসি হন্থরকপনি। মহাক্না অহানবা ওইনা রেঙ্কিং হন্থরকখিবা অসি ওলিম্পিক্তা ইন্দিয়ানা গোল্ডগী আসা তৌরম্বদুগী ওন্না তৈনবদা মহাক্না ব্রোঞ্চ মেদল খক্তা লৌবা ঙমখি। মসিদগী হৌনা মহাক্কী শান্নবগী কেরিয়র অসি চহী খরা অসিদা হান্না লৈরম্বা রেঙ্কিং অদু য়ৌবা ঙমখিদে।

মহাকপু সাউথ কোরিয়াগী যুৱেন জু বে অমদি চাইনিজ টাইটৈগী টাই তজু য়িং অনীনা মথং মথং মায় পাক্লকখিবা অদুগা মহাক্না মথং মথং মায়থীরকখিবগা লোয়ননা মহাক্না হান্না লৈরম্বা তরুকশুবা পোজিসন অদুদগী রেঙ্ক অনী অসি হায়রকখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্না হান্না লৈরিবা ১১ শুবা পোজিসন অদুদা অদুমক লেঙদনা লৈরি। নুপাগী সিঙ্কলসতা পারুপালি কৈশম্পানা ১৪ শুবা পোজিসনদা অদুগা অয়জ জয়ারামনা মহাক্না হান্না লৈরম্বা পোজিসন অদুদগী হায়থরক্তুনা ২৪ শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ইন্দিয়াগী মেন্স, ৱুমেন্স অমদি মিক্স দব্লসকি শান্নরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী রেঙ্কিংদা ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙম্লি।

হৌখিবা চহী খরদদি সাইনা নেহৱালনা টাইটল কয়া লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্না তোঙানা তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাকপা ঙম্লকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা বেদমিন্টনদা ইন্দিয়ানা আসা তৌরিবী শান্নারোই অমনি।

## সুপ্রিম কোর্টনা ললিট মোদিবু মীখলদা মীরেপ ওইহনবা য়াখ্রে, মীখল য়ৈথোকখ্রে

*জয়পুর, দিসেম্বর ১৯ ঃ*

বি সি সি আইনা রাজস্থান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী বোর্দ মেম্বর খন্নবগী মতাঙদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইরিবা ললিট মোদিগী মায়োক্তা পীখিবা ৱাফম অদুগী মতাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা মোদিদা শীরিবা মরাল অদু চুমদবনি হায়না রাই পীখিবগা লোয়ননা মহাকপু মীখলদা মীরেপ অমা ওইনা চোংথোকপা য়াহনখিবগা লোয়ননা মীখলগী মতমসু য়ৈথোকখ্রে।

রাজস্থান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট মীরেপতা মীহুৎ ওইগদবা ললিট মোদিগী মায়োক্তা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াদা চখরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকি মেটচ অমদা লীগ অসিগী কম্মিস্নার ওইরিবা ললিট মোদিগী মথক্তা মেটচ ফিক্সিং তৌই হায়বগী মরাল লৈ হায়না চেরোল পীরকপদগী মহাক ঙসি পাঙথোক্কদবা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট মীখলদা মীরেপ ওইনা চোঙথোকপা য়াখিদবা অদুগী মতাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা মহাক্কী মায়কৈদা রাই পীখিবগা লোয়ননা মীখলসু জনুৱারী ৬ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।



রাজস্থান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ইলেক্সন অসি রাজস্থান স্পোর্টস এক্ট ২০০৫ কী মতুং ইন্না ঙসি মীখল পাঙথোক্কদবনি। মহাক্না মীখল অসিদা প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা শরুক য়াগদবা অদু বি সি সি আইনা অথিংবা থমদুনা মহাকপু মীরেপ ওইবা য়াহনখিদবগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা বি সি সি আইগী মথক্তা কেন্দিদেট ওইগদবা মশামক্না আপিল তৌদুনা মহাক্কী মায়োক্তা শীরিবা মরাল অদুগী মতাঙদা কেস তৌখি। সুপ্রিম কোর্টকি জষ্ট্রিস এম এম কস্লিৱালনা পীখিবা রাই অমগী মতুং ইন্না মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরাল অসি চুমদবনিসু হায়খি।

## ইন্দিয়াগী স্কৱাসকি শান্নরোইশিংনা কম্মন ৱেলথ অমদি এসিয়ান গেমসতা মেদল আসা তৌরি

*মুম্বাই, দিসেম্বর ১৯ ঃ*

ইন্দিয়াগী স্কৱাসকি শান্নরোইশিংনা অনৌবা চহী লাকপগা ইরোয়ননা অনৌবা আসা কয়া তৌদুনা কম্মন ৱেলথ গেমস অমদি এসিয়ান গেমসতা মেদলগী আসা তৌরি।



ইন্দিয়াগী স্কৱাস শান্নরোই সৌরভ গোসেল, যোস্না চিনাপা অমদি হরিনদের পাল সন্ধু য়াওনা তোপ ওইবা শান্নরোই ১০০ রোম্না ইং ২০১৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মন ৱেলথ গেমস অমদি এসিয়ান গেমসতা মেসলসকি আসা তৌরি।

শান্নরোইশিং অসিনা ফোঙদোকখিবদা মখোয়গী মাঙদা হৌজিক তাদুনা লৈরিবা স্কোটলেণ্ডগী গ্লাসগো অমদি সাউথ কোরিয়াগী ইঞ্চিনোদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মন ৱেলথ গেমস অমদি এসিয়ান গেমস অসি শরুক য়াগনি হায়না নীংজবগা লোয়ননা অচৌবা শান্নবগী মেগা ইভেন্ট ওইরিবা অনীমক শরুক য়াগনি অমদি মেদল ফংগনি হায়না গোসালনা ফোঙদোকখি।

গোসাল মুম্বাইগী জিমখানাদা মহারাষ্ট্র ষ্টেট ওপন সেনিয়র চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াবগা লোয়না মহাক্না সেনিয়র ওপন অসিগী নুপাগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখি।

ৱার্ল্ডগী ১৫ শুবা সিটতা লৈরিবা শান্নারোই অসিনা ইং ২০১০ দা চিনানা য়ুম্থু ওইদুনা গুৱাংজৌদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমস অদুদা ইন্দিভ্যুজিএল অমদি টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্চ মেদল ফংখিবনি। লোয়ননা নুপীগী স্কৱাস টিমসু অহুমশুবা পোজিসন ফংলকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ১৩ শুবা প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসনগী টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্না য়াম্না নীথিনা শান্নখি। মহাক্কী রেঙ্কিং অসি হৌজিক ৱার্ল্ডগী ১৫ শুবদা লৈরিবা অসি ৮ শুবা পোজিসন ফাওবা য়ৌনবা হন্দক্কী সিজন অসিদা শন্নগনি। লোয়ননা মথক্তা পনখিবা মেটচ অনীসিদা মেদল লৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## আই সি সিগী টেষ্ট রেঙ্কিংদা চিত্রেশ্বর ৭ শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে

*দুবাই, দিসেম্বর ১৯ ঃ*

ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা নৌনা লাউথোকপা রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ওইনা নহা ওইরিবা ক্রিকেটর চিত্রেশ্বর পুজারা অসি খঙহৌদনা মহাক্না হান্না লৈরম্বা পোজিসন অদুদগী হন্থখ্রে। অদুগা আর অশ্বিননা রেঙ্ক হায়গৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেটর চিত্রেশ্বর পুজারা অসি মমাঙদা আই সি সিগী টেষ্ট রেঙ্কিংদা অহানবা পোজিসনদা লৈরম্বা অদু ইন্দিয়া অমদি আউথ আফ্রিকাগী ওইবা টেষ্ট মেটচ হৌজিক হৌজিক আফ্রিকাগী জোনেসবক্তা চখরিবা অসিদা মহাক্কী পার্ফোমেন্স হন্থখিবগা লোয়ননা রেঙ্কিংসু হন্থখ্রে। চিত্রেশ্বর পুজারানা মহাক্না হান্না লৈরম্বা পোজিসন অদুদগী হন্থরক্লগা ৭ শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা অশ্বিননা ৫শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙরাংদগী জোনেসবক্তা আফ্রিকা অমদি ইন্দিয়াগী টেষ্ট মেটচ শান্নবা হৌখিবদা অহৌবা নুমিত্তা ইন্দিয়াগী পুজারা অমদি ভিরট কোহলিনা রন ১০০ লৌবা ঙমখি। মখোয় অনী অসি ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা তোপ ২০ গী মনুংদা লৈবা বেটিং লিষ্ট ওইরি।

বোল্লরশিংগী মনুংদা প্রগয়ান ওজহনা ৮ শুবা পোজিসনদা অদুগা অশ্বিননা মহাক্না হান্না লৈবা পোজিসন অদুদা লৈবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর দেবিট ৱার্ননা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবা অসি ইংলেণ্ডগা হন্দক শান্নখিবা মেটচ অদুদা পীখিবা পার্ফোমেন্সকি মতুং ইন্ননি। হোম মেটচ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেণ্ডবু টেষ্ট মেটচ ৫ শান্নগদবদা ৩–০ দা মায় পাকখিবনি। মেটচশিং অদুদা মহাক্না রন ৬০ অমদি ১১২ লৌদুনা সেরিজ অদুদা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা শান্নারোই ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী সেন ৱাটসন অমদি ষ্টেভেন স্মিটনা ইংলেণ্ডগী বিনগী রেঙ্কিং থুগাইদুনা মখোয় মখোয়গী রেঙ্ক অদু হায়গৎখি। ৱাটসন্না ৩২ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৬ শুবা পোজিসন্দা অদুগা স্মিটনা ৩৭ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৮ শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।


CHEM

DISTANCE EDUCATION

(CENTRE FOR HIGHER EDUCATION MANIPUR)

Authorized host Institute of Lovely Professional University, Punjab

Recognized by UGC

Regulatory Body of Govt. of India for Open and Distance Learning System)

Vide F.No. UGC/DEB/Deong /2013 (1233-1237)

PROGRAMMES OFFERED

COMPUTER APP./ IT/ COMP. SC. :

MCA* ,M.Sc. IT *,M.Sc.CS*, PGDCA,PGDIT,PGDCS, BCA* ,B.Sc.IT*, B,Sc. CS*, DCA,DIT,DCS,

COMMERCE :

M.Com,B.Com

Affordable Fees Structure

MANAGEMENT :

MBA*,PGDBM,BBA*

LIBRARY & INFORMATION SCIENCES :

MLIS,BLIS,DLIS

ART (in English & Hindi Medium :

M.A (Hindi, Economics, Education, History, Sociology, Political Science, English, Mathematics) B.A

*LATERAL ENTRY & MIGRATION ALSO AVAILABLE

Prospectus and Application Forms are available at:

CHEM

CHANGANGGEI, Opp. IMPHAL TULIHAL AIRPORT

CONTACT : 0385-2455559 | 8414069061 | 8413036162